থৌদাং স্পোর্টস

নহারোলগী থৌদাং | ইম্ফাল, জনুৱারী ১, ২০১৪ ইং, পোইনুগী ৩০ নি পানবা, য়ুমশকৈশ

স্প্রিং সোক্কর ফেষ্টিভেল ২০১৪ পাংথোক্লগনি টিবিএসএফএগী ২০১৪ কেলেন্দর ফোংখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১: টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদমিনা শিন্দুনা স্প্রিং সোক্কর ফেষ্টিভেল ২০১৪ লাক্লিবা জনুৱারী ১৩ দগী ১৮ ফাওবা ইম্ফালদা পাংথোক্লগনি। লোয়ননা একাদমি অদুগী লাক্কদবা চহি ২০১৪ গী কেলেন্দর ফোংখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী হোটেল অনন্দ কন্টিনেন্টেলদা পাংথোকখিবা থৌরম অমদা টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদমিগী চহিগী ওইবা কেলেন্দর ফোংদোকখি। থৌরম অদুদা দি আই জি রেঞ্জ ৱান ক্লে খোংসাই আই পি এস না চিফ গেষ্ট, লাইওন্স ক্লব লৈমরোলগী প্রসিদেন্ট পি মেম্মনা থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখি। একাদমিগী প্রসিদেন্ট খুরাই লাকপনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি কেলেন্দর ফোংদোকপা থৌরম অদুগী খুদোংচাবা লৌরদুনা ফুটবোল একাদমি অদুগী মাইকৈদগ স্প্রিং সোক্কর ফেষ্টিভেল ২০১৪ ইম্ফালদা পাংথোক্কবগী ৱাফম অদু লাউথোকখি। টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদমিগী গ্রাউন্দদা পাংথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিভেল অদু চহি ২০ গী মখাগী নুপীগী টিমশিংনা শরুক য়াগনি। লাইওন্স ক্লব লৈমরোলগা একাদমি অসিগা পুন্না খুৎশম্নরগা ফেষ্টিভেল অসি শিনগদবনি। লোয়ননা কো এভর কোচিং ইন্দিয়াসু শিনবদা শরুক য়াগদৌরি।

ফেষ্টিভেল অদুদা মপানগী টিম ওইনা টিবেটকী চহি ২০ গী মখাগী নুপীমচাশিং অমসুং মণিপুরগী নুপীগী ফুটবোল ক্লব ৩ না শরুক য়াগদৌরি। বিরচন্দ্র মেমোরিয়েল স্পোর্টিং ক্লব তাওবুংখোক, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব অমসুং ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ৱাঙ্খেনা শান্নগদৌরি।

জনুৱারী ১৪ দা বিরচন্দ্র মেমোরিয়েল স্পোর্টিং ক্লবনা টিবেটকী টিম অদুগা থেংনদুনা টুর্নামেন্ট অদু হৌদোক্কনি। জনুৱারী ১৫ দা মণিপুরগী পুলিসকী টিমনা টিবেটকী টিম অদুগা থেংনরগনি। জনুৱারী ১৬ তনা ই এস য়ু গা টিবেটকী টিমগা শান্নদুনা ফেষ্টিভেল অদু লোয়শিনগনি।

শান্নরোইশিং শেম শাবীয়ু

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১: ফেব্রুৱারী থাগী ১৪ দগী ১৭ ফাওবা গুৱাহাটিদা পাংথোক্কদবা ২০শুবা জুনিয়ার, অহুমশুবা সেনিয়ার অমসুং মাষ্টর, নেসনেল ষ্ট্রেঙ্ক লিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ অমসুং ৪শুবা সেনিয়ার ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ মেন এন্দ ৱুমেন নেসনেল ইনক্লাইন বেঞ্চ প্রেস চেম্পিয়ন্সিপকীদমক মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা শেম শাবীয়ু হায়না মণিপুর ষ্ট্রেঙ্ক লিফটিং এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ নিংথেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

লোয়ননা নেসনেল রেফরি একজামিনেসনসু চেম্পিয়ন্সিপ অসিগা লোয়ননা পাংথোক্লগনি। অকুপ্পা মরোল জেনরেল সেক্রেটরি নিংথেমদগী খঙবা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা খঙহল্লক্লি।

ওফিসিয়েল ওইনা খল্লক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১: জনুৱারী ১২ দগী ১৬ ফাওবা মহারাষ্ট্রগী নাসিক্তা পাংথোক্কদবা ২৬শুবা সেনিয়ার মেন নেসনেল টগ ওফ ৱার চেম্পিয়ন্সিপ অমসুং ১১শুবা সেনিয়ার ফেন্দরেসন কপতা মণিপুর টগ ওফ ৱার এসোসিয়েসনগী মেম্বর নেসনেল রেফরি কোংখাম কামিনি অমসুং ঐচ বিনোদকুমার অনিবু ওফিসিয়েল ওইনা খল্লক্লে। ষ্টেট এসোসিয়েসন্না নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

মণিপুরগী ফুটবোল্লরশিংগী এচিভমেন্ট

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ : হৌখিবা চহি ২০১২-২০১৩ দা মণিপুরগী ফুটবোল শান্নরোই কয়ানা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নখি।

এ এফ সি অন্দর-১৪ বোইজ ফুটবোল ফেষ্টিভেল ২০১২ কাঠমন্দুদা ইন্দিয়াগী টিমদা মণিপুরগী এম জয়ানন্দ, টি কিষন, এল বেদাশ্বর অমসুং এল লোয়াঙানবনা শরুক য়াখি।

শ্রীলঙ্কাগী কলম্বোদা পাংথোকপা এ এফসি অন্দর-১৬ গার্লস ক্বালিফায়িংদা মণিপুরগী টি ঐচ ইচন, মেরিনা থাংজম অমসুং রনজিবালানা ইন্দিয়াগী টিমদা শান্নরুখি।

চহিদা ইরানগী মসাদতা পাংথোকখিবা এ এফ সি অন্দর-১৪ বোইজ ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বালিফায়িংদা ইন্দিয়াগী টিমদা কে ঐচ লিন্তোইঙানবা, এম দিশহাজহান, এম দি নৱাজ অমসুং দিরাজনা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নখি। এফসি অন্দর-১৬ বোইজ চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী জিমি ইন্দিয়া টিমদা শান্নখি।

কুৱেটনা য়ুম্ফু ওইখিবা এ এফ সি অন্দর-১৬ বোইজ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৩ দা মণিপুরগী এম থিরাজ, এম জয়ানন্দ, টি কিষন অমসুং এল বেদেশ্বরনা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা টিমদা শান্নখি।

এ এফ সি অন্দর-১৯ বোইজ ক্বালিফায়িংদা এস প্রিতমকুমার অমসুং কে উদান্তা অনিনা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নখি।

ভিয়েটনামদা চহিসিদা পাংথোকপা এ এফ সি অন্দর-১৯ ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপতা ইপাঙ্গেইচনু, কেএস ঐচ মারগরেট, টি ঐচ পুর্নিমা, দাংমৈ গ্রেস, পি ওসিন চনুনা ইন্দিয়াগী টিমদা রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নখি।

এ এফ সি অন্দর-১৪ রিজিনেল চেম্পিয়ন্সিপ শ্রীলঙ্কাদা কাশমিনা, এ রোজা অমসুং ঐচ দয়ানা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নখি।

এ এফসি চেম্পিয়ন্সিপ ক্বালিফায়িংদা মণিপুরগী ও রোসনি, এ রোমি, এল অশালাতা, জি রাধানি, ৱাই প্রেমি, ও বেমবেম, আই প্রমেশ্বরি, এস রিনারোই, এন জি বালা, দাংমৈগ্রেস, ৱাইকমালানা ইন্দিয়াগী টিমদা শান্নখি।

মণিপুরনা ডঃ টি আও, অন্দর-১৪ বোইজ অমসুং জুনিয়ার গার্লস নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা চেম্পিয়ন ওইরকখি। ও বেমবেমনা নুপীগী এ আই এফ এফ ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়ার মিংথোন ফংখ্রে।

অম্ফানা শান্নরোইশিংদা থাগৎপগা লোয়ননা অনৌবা চহিগী পাউজেল পীরক্লি।

মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ প্রেমিয়র কপ কম্পিটিসন য়াওরুনবগী টিম টিম খন্নবা টুর্নামেন্ট হৌরগনি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ : ওল ইন্দিয়া মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ প্রিমিয়র কপ কম্পিটিসনগী মণিপুরগী টিম খন্ননবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা সেলেক্সন কম্পিটিসন লাক্লিবা জনুৱারী ৬ তগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাংথোক্লবা মতম লেপখ্রে।

সেলেক্সন কম্পিটিসন অসিদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল, ৱাই দব্লিউ সি মালোম, ফ্লাই থাংমৈবন্দ, ক্রিপসা নাওরেমথোং, ৱাই ও এস সি খুরাই কোনসম লৈকাই, ৱাই য়ু এফ সি উখুল অমসুং মমাং চহিগী ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা এসিয়া মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ প্রেমিয়র কপতা শরুক য়ারুবা বি এম এস সি তাওবুংখোকনা শরুক য়াগদৌরি।

ইম্ফল ৱেষ্টকী বিরচন্দ্র মেমোরিয়েল স্পোর্টিং ক্লব (বিএমএসসি) তাওবুংখোক্কী টিমনা মণিপুরগী মহুৎশিন্দুনা ওল ইন্দিয়া কম্পিটিসনদা মমাং চহিদা শরুক য়াখি। ওল ইন্দিয়া কম্পিটিসনদা ৱিন্নর ওইদুনা মালেসিয়াগী কৌলালম্পুরদা পাংথোকপা এসিয়াগী কম্পিটিসনদা বি এম এস সি না ইন্দিয়াগী মহুৎশিন্দুনা শরুক য়ারুখি। ইন্দিয়াগী মহুৎশিন্দুনা শান্নখিবদা সেমিফাইনেল ফাওবা এসিয়া কম্পিটিসন অদুদা চংবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগীদমক মেটচ ওফিসিয়েট তৌগদবা ওফিসিয়েলশিং এসাইন তৌখ্রে।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না এসাইন তৌরবা মেটচ ওফিসিয়েলশিংদি মেটচ কম্মিস্নারদা এল ইবোহল মৈতৈ, কে এস ঐচ মোধুচন্দ্র, রেফরিশিংদি হান্নগী নেসনেল রেফরি এল গোকুলানন্দ শর্ম্মা, এস ওনিল, এন জি অনন্দা, রঘু, টি প্রেমজিৎ, ঐচ অমর্জিৎ, কে অজিৎকুমার, টি ঐচ সৈত্যজিৎ, এল রোজিৎ, এল ভুবোন, এল ইবোচা তোম্বী অমসুং টি ঐচ সোমোরজিৎনি।

মেটচ ওফিসিয়েলশিংনা লাক্লিবা জনুৱারী ২ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা অম্ফাগী ওফিসতা রিপোর্ট তৌনবসু খঙহনখ্রে।


YWC(L)
PHLYO
KRYPSA
YOSC
YWC(M)
YUFC
DMSC
04-01-2014
12.05 p.m.
03-01-2014
12.05 p.m.
05-01-2014
12.05 p.m.
06-01-2014
12.05 p.m.
07-01-2014
12.05 p.m.
08-01-2014
12.05 p.m.

ꯍꯧꯗꯣꯛꯂꯦ

ELITE COACHING CENTRE (ECC)

at St. Patrick's English School, Opposite D.M. College Gate, Near Pukhri Achouba

ADMISSION OPEN
FOR
FOUNDATION COURSE (BOSEM)
CLASS – II to X (All Subjects)
Time – 4:30 pm. to 7:30 pm.

অনৌবা চহিগী অনৌবা অশা [illegible] Academic Session 2014-15 গী Class January তাং ২ [illegible] ২০১৪ ইংগী হৌরগনি। হৌখিবা চহিদা Elite Coaching Centre না [illegible] Moral Character অমসুং Discipline [illegible] Moral Character [illegible] Coaching Centre [illegible] Mobile Phone [illegible]

[illegible] Gurdian শিংগী Suggestion অমসুং Opinion [illegible] Administration [illegible] Coaching Centre নি।

[illegible] Elite Coaching Centre না [illegible]

VAN SERVICE AVAILABLE AND BOARDING FOR GIRLS ONLY

[illegible] ☎: 9862707102, 9774221361

Livsav Group
Wishing you all the peoples of Manipur wishing you
Merry Christmas
and
Happy New Year 2014
New Year with happiness, good health, peace and prosperity
NT/BY/25to31 Dec.

6th batch starts 2nd Jan. 2014
Computers are fun!
Spoken English too!
Holiday courses for School children
Accent
Centre for Skills Development
Opp. GP Women's College main gate, Imphal.

Lemon
SMARTPHONE
OFFER
OFFER
P 11 (Android)
DISCOUNT
Rs. 1,000/-
Old Prize
Rs. 4,499/-
New Prize
Rs. 3,199/-
A 3 (3D Phone)
DISCOUNT
Rs. 2,000/-
Old Prize
Rs. 10,799/-
New Prize
Rs. 8,799/-

A55HD
VIDEOCON
VT75C
Rs. 13990/-
Rs. 7290/-
A52 Rs. 8590/-
A24 Rs. 4790/-
A15 Rs. 3890/-

BULL
Mahindra
TRACTORS


চাওহান ১সুং ফোজো
অইবা ১সুং অয়েকপা দায়া
হৈ চাক য়ামচা নং নুপীথিবা খঙদবা হায়দু তারনি দুদি।
হৈ তা গুলাপী নং নথ্বায় মাংগেরা?
ঐনা নংবু পীক্লিঙৈদগী তাকপী তম্বীরকপা অদুগা অদুক কনবা ৱাহৈ হিক হিক....।
শাওনু তা গুলাপী, নুপী দুবু কনানোনে?
ইসপেক্টর গুন্দালৈমা কলাচানগী মচানুপী।
হা! পুলিসতা ইস! My God
মথং, মথং

ফংবীরগনি! ফংবীরগনি!

গুলামজাৎ তোংব্রম (এমএবিটি) না ইবা

“মাই মেথোদ ওফ টিচিং ইংলিস”

অহুমশুবা এদিসন পুথোক্লে। এদিসন অসিগী কোপী পাউ-চে অসিগী ওফিস নত্রগা অইবগী য়ুমদগী ফংবীরগনি। অকক্নবা কোপি মশিং খরখক্তনি।


MY METHOD OF TEACHING ENGLISH